# দিল্লি এয়ারপোর্টতা লান্মীশিংগী হকচাংশিং থুংলখিবগা পি এম মোদি, রাহুল গান্ধীনচিংবনা ঈকাইখুম্নবা উৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*
জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামাদা জৈইশ–ই–মুহম্মেদ কৌবা পাকিস্তানদা লৈবা টেরর গ্রুপকী এটেকতা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী হকচাং দিল্লিগী পালাম এয়ারপোর্টতা থুংলখিবগা সি আর পি এফ লান্মী ৪০ অদুগী মফমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং– রাজ নাথ সিংহ, নিরমলা সিতারমননচিংবনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী অমসুং দিল্লি চীফ মিনিষ্টর অরবিন কেজ্রিৱালগা লোয়ননা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ঈকাইখুম্নবা উৎখ্রে। জাতিগী ফিরাননা কুপ্লিবা কুশিং অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং অতৈ লূচিংবশিংনা লৈপরেংশিং কৎখি।



হকচাংশিং অদু সি–১৩০ জে সুপর হারকুলিস এয়ারক্রাফ অমনা ঙরাং দিল্লিদা পুরকখিবনি। হকচাংশিং অদু মখোয় মখোয়গী সিটিশিংদা থাখ্রগনি।

এয়ারপোর্টতা লাকখিবশিংগী মনুংদা লূচিংবশিং অসিদা নত্তনা সার্ভিস চীফ ৩–চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ, জেনরেল বিপিন রৱাট, চীফ ওফ নেভেল ষ্টাফ, এদমিরেল সুনিল লনবা অমসুং চীফ ওফ এয়ার ষ্টাফ, এয়ার চীফ মার্সেল বি এস ধনোৱাসু য়াওখি।

এক্সপ্লোসিব আর দি এক্স কেজি ৬০ হাপ্পা কার অমনা জম্মু –শ্রীনগর হায়ৱেদা সি আর পি এফ গারী ৭৫গী কনভোয় অমগী বসশিংদা শগোলশেন নুমিৎতা থোমগাইরক্তুনা চখরকখিবা এটেকতা সি আর পি এফ জৱান ময়াম শিখিবা অদুগী মতূংদা লৈবাক অসি থম্মোয় শোকপা, অৱাবা অমসুং অশাওবনা কুপশিনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি এটেক অদুগী দাত্ব ওইরিবশিং অদুনা অচৌবা অরানবা অমা তৌখ্রে, মখোয়না য়ান্না অরুম্বা মমল অমা অমুক পুবা তাবনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

অকনবা লোন্দা অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টেররগী ময়োক্তা থবক তৌবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা অপনবা–অথিঙবা লৈতনা মনিং তম্না তৌনিংবা তৌহল্লগনি হায়খ্রে।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীসু পালাম এয়ারপোর্টতা থুংলখিবা লান্মীশিং অদুদা লৈ কত্তুনা ঈকাইখুম্নবা উৎখি।

চহী চা অসিদা কাস্মিরদা মসিনা খ্বাইদগী তমথিবা এটেকনি। ২০০১ ওক্তোবর ১দা টেরোরিষ্ট ৩না শ্রীনগরদা জম্মু এন্দ কাস্মির ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লি কমপ্লেক্সকী মরুওইবা গেটতা এক্সপ্লোসিবশিং হাপচিল্লবা টাটা সুমো থৌজিন্দুনা চখখিবা এটেকতা মীওই ৩৮ শিখি।

২০০২গী মে ১৪দা কালুচক এটেকতা মীওই ৩৪ শিখি, চহী অসিমক্কী নম্বের ২৪দা জম্মুগী রঘুনাথ টেম্পল এটেকতা ১৪ শিখি, ২০১৬গী সেপ্তেম্বর ১৮দা উরিদা লৈবা আর্মি ব্রীগেদ হেদক্কার্টরস অমদা টেরর এটেক অমনা লান্মী ১৯ হাৎখি। উরি এটেক অসিগী মতূংদা ২০১৬দা আর্মিনা পাকিস্তান ঙমখৈ লাশিন্দুনা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অমা চখখি অমসুং টেরর এটেক তৌরকফম কয়া থুগাইদুনা মাঙ–তাকহনখি।

# থেঙথদনা ফন্দশিং ফ্রীজ তৌ, টেরর গ্রুপশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎলু হায়না য়ু এসনা পাকিস্তানদা তকশিনখ্রে

*ৱাসিংটন, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*
য়ুনাইটেদ নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিল (য়ু এন এস সি)–দেজিগনেটেদ টেরোরিষ্ট নেটৱাকশিং অমসুং মখোয়গী লূচিংবশিংগী ফন্দশিং অমসুং অতৈ ফাইনান্সিয়েল এসেটশিং ফ্রীজ তৌ হায়না ঙরাং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অকনবা মওংদা পাকিস্তানদা তকশিনখ্রে।



মতূংদা এটেকশিং তৌরকপদগী জৈইশ–ই–মুহম্মেদ (জে ই এম)পু থিংনবা থবকশিংদা য়ু এস না মপূং ফানা শৌগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেন নুমিৎতা কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্টিক্ততা সি আর পি এফ জৱান ৪০ হেন্না শিখিবা এটেক অদু পাকিস্তানদা লৈবা জে ই এমননি হায়না মশানা ফোঙদোকচরকখ্রবনি।

পাউগী এজেন্সিদা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্ট ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকপদা ২০০২দা পাকিস্তাননা জে ই এমবু আইননা য়াদবা গ্রূপনি হায়না লাওথোকখ্রবনি । অদুম ওইনমক মসিনা হৌজিকসু পাকিস্তান মনূংদা থবক তৌরি।

দিসেম্বর ২০০১দা জে ই এমবু য়ু এসনা ফোরেন টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা লেপখ্রবনি। মখোয়বু মতূংদা এটেকশিং তৌগদবদগী থিংনবা লৌখৎপা থবশিংদা ঐখোয়না মপূং ফানা শৌগৎলি হায়খি।

জে ই এমগী লূচিংবা মকোক মাসুদ অঝারবু গ্লোবেল টেরোরিষ্ট অমা ওইনা লৌনবা ইন্দিয়ানা হোৎনবদা চিনানা থিংখিবগী মতাংদদি য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাংলোই অমা ওইনা করিগুম্বা মত অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

# ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দ ২৭ হাৎখিবা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা পাকিস্তানদা খঙহনখ্রে

*দুবাই, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*
ঙমখৈগী মনাক্তা এটেক অমদা ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দ ২৭ হাৎখিবা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা চপ চানা থবক লৌখৎনবা ইরান্না য়ূমলোন্নবা পাকিস্তানদা ঙসি অপিল তৌখ্রে। মদু নৎত্রগদি হায়রিবা টেরোরিষ্টশিং অদু চৈরাক পীননবা টেহরান্না মিলিটরিগী থবক লৌখৎলকপা য়াই হায়না ষ্টেট মেদিয়াগী পাউনা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুমবা পাকিস্তাননা মখোয়গী দাইত্ব খঙনা থবক তৌরক্ত্রবদি ইরাননা ইন্টরনেসনেল লোদা য়ূমফম ওইরগা লৈবাক্কী ঙমখৈদা পীরিবা অকীবশিং ময়োক্নবা হক লৈ অমসুং টেরোরিষ্টশিং অদু চৈরাক পীনবা খূৎ হনগনি হায়না রিভোলুসনরি গার্দস কমান্দর মেজর জেনরেল মুহম্মদ অলি জফারিগা ৱাফম পল্লদুনা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি আই আর এন এনা ফোঙদোক্লি।



ইরানগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাক অদুগী সুনি মুস্লিম মাইনোরিতিগী হেনগৎলক্লিবা এটেকশিং ময়োক্নরিবা খা নোংপোক থঙবা লমদমদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সুইসাইদ বোম্বর অমনা ইরানগী ইলাইট রিভোলুসনরি গার্দসকী মেম্বর ২৭ হাৎখিবনি।

ইথনিক মাইনোরিটি বালুচীশিংগীদমক অহেনবা হক অমসুং হীংনবগী হেন্না ফবা ফিভম তানবনি হায়রিবা সুনি গ্রুপ জৈইশ অল অদল (আর্মি ওফ জষ্টিস)না এটেক অদু চখবনি হায়না ফোঙদোক্লকখ্রবনি।

মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা পাকিস্তানদা অশোয় অঙাম থোক্তনা নুংঙাইরবা মফমশিংদগী থবক তৌরি হায়না ইরানগী সিয়া মুস্লিম ওথোরিটিজনা হায়রি অমসুং মিলিটিন্টশিংগী মথক্তা অকনবা থবক চখনবা য়ুমথংনবা লৈবাক অসিদা হন্না হন্না অপীল তৌরকখ্রবনি।

হৌখিবা মতমদা ইরাননা রিজনেলগী য়েক্নবা ওইরিবা সুনি অরব সাউদি অরাবিয়াবু ইরানগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌরকখিবা সুনি মিলিটেন্ট গ্রুপশিং শৌগৎলি হায়না মরান শীখি অদুবু হায়রিবা মরানশিং অদুবু রিয়াধনা য়াখিদে।

# জিহাদিষ্ট ৭, লান্মী ১৫ শিখ্রে

*কাইরো, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*
ইজিপকী মিলিটরিনা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রূপকা থেংনরিবা সিনাই পেনিনসুলাদা চখরকখিবা এটেক অমদা চীংনবা জিহাদিষ্ট ৭ শিখ্রে অমসুং লান্মীগী নাকন্দসু ১৫ শিখ্রে নৎত্রগা শোক্লে হায়না ইজিপকী আর্মিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইরাং লৈবা নোর্থ সিনাইগী চেকপোইন্ট অমদা এটেক তৌরকখিবা অমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু খূৎ হনখি অমসুং নাকন অনী নোংমৈ কাপ্লখি হায়না শিখিবা লান্মীগী চপচাবা মশীং পীদনা অর্মিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি। ইজিপনা ফেব্রুৱারি ২০১৮দা মিলিটিন্টশিংগী মথক্ত্া লৈবাক শিনবা থুংবা ওপরেসন অমা, মরুওইনা নোর্থ সিনাই প্রোভিন্সতা লৈরিবা জিহাদিষ্টশিংগী মথক্তা চখখি।

# পুলৱামাগী মতাংদা পাকিস্তানগা উংখৎনরিঙৈ কুলভুসন যাধবকী কেস নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ু এন কোর্টনা লৌখৎলগনি



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*
পাকিস্তানি মিলিটরি কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীনবগী ৱায়োল পীখ্রবা, পাকিস্তানদগী কিদনেপ তৌখিবনি হায়না ইন্দিয়ানদি হায়রিবা ইন্দিয়ান নেসনেল কুলভুসন যাধবপু চৈরাক অদু ককথৎনবা পাকিস্তানদা য়াথং পীনবা ইন্দিয়ানা নীংথৌকাবা নুমিৎতা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মকোক থোংবা কোর্টতা হায়জরগনি।

পাকিস্তানি মিলিটরি কোর্টনা কুলভুসন যাধব (৪৬)পু এস্পিওনেজগী মরান শীখি অমসুং এপ্রিল ২০১৭দা শিবগী চৈরাক পীনবগী রাই তাখি। মদুগী মতূংদা ইন্দিয়ানা দ হেগতা লৈবা আই সি জে নৎত্রগা ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা ৱাকৎখি।

মে ২০১৭দা আই সি জে গী মেম্বর ১০গী বেঞ্চ অমনা মিষ্টর যাধবপু শিবগী চৈরাক পীবগী থবক অদু পাংথোক্তনবা পাকিস্তানদা অথিংবা থমখি।

ইরানলোমদগী কুলভুসন যাধবনা চংশিলকখিবনি অমসুং ২০১৬গী মার্চ ৩দা পাকিস্তানগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা বালোচিস্টানদগী মহাকপু ফাখিবনি হায়না পাকিস্তাননা হায়রি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ানা মহাক ইন্দিয়ান নেভিদগী থবক পোথরবা মতূং মাগী ব্যুজিনেসকীদমক ইরান্দা চৎপদা মফমদুদগী মহাক ফাখিবনি হায়রি।

মালেমগী লৈবকশিংগী মরক্তা খৎনবশিং লোয়শিন্ননবা মালেমগী অনীশুবা লানজাও মতূংদা লিংখৎখিবা য়ু এন কোর্ট অদুদা ইন্দিয়াগী উকিলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা আর্গুমেন্টশিং তৌগনি। মদুগী মতূংদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাকিস্তানগী উকিলশিংনা অমুক মখোয়গী ৱাফম থমগনি।

শিবগী চৈরাক অদু পকিস্তানদা কঙ্গারু কোর্ট অমনা পীবনি হায়রদুনা চৈরাক অদু চৎনহন্দনবা ইস্লামাবাদতা য়াথঙ পীনবা ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা ৱায়েৎ থমগনি।

ইন্টরনেসনেল কোর্ট অসিদা ফেব্রুৱারি ১৮দগী প্রোসিদিংশিং হৌগনি। কোর্ট অসিগী মমাঙদা ইন্দিয়ানা কেস অসিদা মশাগী ৱারোল থমগনি। হীরম অসি সব–জুদিস ওইবা মরম্না ঐখোয়না লৌরিবা ফিরেপ মীয়ামদা হায়দোকপা মতাংচাদে। ঐখোয়না তৌফমথোকপশিং অদু চপ চানা কোর্ট অসিদা তৌগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটরনেল এফিয়ারসকী ৱাঙাংলোই রবীশ কুমারনা ফোঙদোকখি।

মকোক থোংবা য়ু এন কোর্টকী রাই অদু চয়োলসিগী হিয়ারিংশিংগী থা কয়া লৈরবগী মতূংদা পীরবা য়াই। পাকিস্তানদা য়ূমফম ওইবা টেরর গ্রুপ জৈইশ–ই–মুহমেদনা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামাদা এটেক তৌরকখিবগী মতূংদগী ইন্দিয়া অমসুং পকিস্তানগগী মরক্তর হান্নদগী ফত্তনা লৈরক্লিবা মরী অদু অমুক্কা হেন্না ফৎচিলক্ত্রিঙৈ মরক্তা কোট কেস অসি চখগদৌরিবনি।

# এরো–ইন্দিয়া ২০১৯ ফেব্রুৱারি ২০দগী বেঙ্গলুরুদা হৌরগনি ইন্দিয়াগা গেম–চেঞ্জিং পেক্টশিংগী মতম লাক্লে ঃ লোকহীদ মার্টিন

*ৱাসিংটন, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*
চহীগী পাংথোকপা এরো–ইন্দিয়া শো ২০১৯ বেঙ্গলুরুদা ফেব্রুৱারি ২০দগী ২৪ ফাওবা পাংথোক্লগনি অমসুং মসিদা মালেমগী মমিং চৎলবা এরোস্পেস অমসুং দিফেন্স লিদর লোকহীদ মার্টিনসু শরুক য়ারগদৌরি।

ইন্দিয়াগা গেম–চেঞ্জিং দিফেন্স পার্টনরসিপশিং তৌনবগী মতম অদু হৌজিক চপচানা য়ৌরে হায়না গ্লোবেল এরোস্পেস জাইন্ট লোকহিদ মার্টিনগী মকোক থোংবা অমেরিকান একজিক্যুটিবনা ফোঙদোকখ্রে।

লোকহীদ মার্টিনগী ষ্টেটেজিক অমসুং ব্যুজিনেস দিভলপমেন্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট বিবেক লালনা হায়খ্রে, য়ু এস অমসুং ইন্দিয়া লৈবাক অনী অসি পোলিটিকেল, ইকোনোমিক অমসুং সেক্যুরিটিগী হীরম কয়ামুক্তা মান্নবা থবক অমসুং অপাম্বশিং লৈবা মশানা তাজরবা পার্টনরশিংনি। মালেমদা মমিং চৎলবা এরোস্পেস অমসুং দিফেন্স লিদর অমা ওইনা মহাক্না হৌখিবা চহি ১০গী মতমদা ইন্দিয়া–য়ু এস দিফেন্সকী মরুওইবা দিল কয়া তৌনখিবদা মরুওইবা মীওই অদু ওইখি।



চহী অসিগী এরো ইন্দিয়া শো অসিদা য়ু এস –ইন্দিয়া ব্যুজিনেস কাউন্সিল (য়ু এস আই বি সি)গী একজিক্যুটিব দিলিগেসন অদু মহাক্না লূচিংলক্কদৌরি। এরো ইন্দিয়া অসি সেনিয়ার য়ু এস অমসুং ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিংগা উন্ননবগী, ব্যুজিনেস–টু–ব্যুজিনেস নেটৱাকিং এক্টিভিটিজদা শরুক য়ানবগী, ইন্দিয়াগী এরোস্পেস অমসুং দিফেন্স সেক্টরদা ব্যুজিনেস তৌনবগী খুদোংচাবশিং অমসুং শীংনবশংগী অরুবশিংগী শক্তম পীগদৌরিবা সেমিনারশিংদা শরুক য়ানবগী য়ু এস আই বি সি স্বেরশিং, লোকহীদ মার্টিনগদমক অঙকপা খুদোংচাবা অমনি হায়না মিষ্টর লালনা হায়খি।

লোকহীদ মার্টিগী সেক্যুরিটি সোল্যূসনশিং অমসুং ইন্দিয়াগী দিফেন্সকী মথৌতাবশিং, মেক ইন ইন্দিয়া–য়ু এস মরীশিং শৌগৎপা পার্টনরসিপশিং অদু উৎথোক্নবগদমক এরো ইন্দিয়ানা অফবা মফম অমসু পীরি হায়না ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিষ্টর লালনা হায়খি।

বেঙ্গলুরুদা পাংথোকপা চহিগী ওইবা এরো শো অসিদা য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সকী ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়ারগদৌরি।

# য়ু এন, পার্টনরশিংনা রোহিঞ্জা লাক্ষ ৯গী মথৌ তাবশিংগীদমক দোল্লর মিল্লিয়ন ৯২০ গী অপিল তৌখ্রে

*য়ুনাইটেদ নেসন্স, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*
মালেমগী খ্বাইদগী শাথিবা রিফ্যুজিগী অৱাবা থৌদোক অমা থোকহনখিবা ম্যন্মারগী ঈরাং লৈবা রখিনে ষ্টেটকী হীংশাদগী নাম্থোক্নবা বংলাদেসতা চেল্লকখিবা রোহিঞ্জা লাক্ষ ৯ লোম হেনবগী শাথিনা মথৌ তাবশিং মতেঙ পাংনবগীদমক য়ুনাইটেদ নেসন্স এইদ এজেন্সিশিং অমসুং পার্টনরশিংনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৯২০গী অপিল তৌখ্রে।



য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পাবা মশীংগী মতূং ইন্না রোহিঞ্জা মুস্লিম মাইনোরিটি লাক্ষ ৭ লোম হেন্না বংলাদেসতা লাঞ্জেনখি। আর্মি ওপরেসন অমা হৌখিবা চহিগী অগষ্ট ২৫দা চখখিবা অদুগী মতূংদগী বংলাদেসতা হান্নना রোহিঞ্জা লাক্ষ ২ রোম চেন্দুনা চংজফম লৌদুনা লৈখ্রবনি।

রোহিঞ্জা হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিসকীদমক ২০১৯ জোইন্ট রেস্পোন্স প্লাননা ম্যন্মারদগী রিফ্যুজি লাক্ষ ৯ হেনবা অমসুং মখোয়বু চংজফম পীরিবা খুদোঙ চাদ্রবা বংলাদেসি লাক্ষ ৩ লিশিং ৩০ হেনবদা তেঙবাংনবা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৯২০ খাইগৎনবা অপিল তৌরক্লি।

ঐখোয়না ঙসি মীওইবা জাতিগীদমক ঐখোয়গী তৌফম থোকপা অদুদি ষ্টেট লৈজদ্রবা রোহিঞ্জা রিফ্যুজি অমসুং মখোয়গী চংজফম ওইরিবা বংলাদেসিশিংগী ওইরিবা ফিভম অদু তংদু–লৈতাহন্নবা হোৎনবনি।

চহি অসিগী অপিলগী পান্দমশিং ফঙনবা মতমচানা অঙম–অঙম্বা মতেঙ পীরক্কনি হায়না ঐখোয়না অশা তৌরি হায়না য়ু এন হায় কমিস্নার ফোর রিফ্যুজিস (য়ু এন ঐচ সি আর) ফিরিপ্পো গ্রাদিনা হায়খি।

# জিম্বাবৱেগী সনাগী খোনিদা ঈশিং চঙশিলকখিবদগী শিখিবা মীগী মশীং অদু য়ামদ্রবদা ৬০ য়ৌখ্রে

*হরারে, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*
জিম্বাবৱেগী কোনূং হরারেগী খা নোংচুপ থংবদা লৈবা খোনিগী টাউন অমা ওইরিবা মফম অমদা শিজিন্নখিদ্রবা সনাগী খোনিগী সেফ্ট অনীদা ঈশিং চাওশিলকখীবদগী ইরাই নুমিৎ ফাওবদা শিবা সনাগী খোনি অদুদা থবক শুবা মীগী মশীং য়ামদ্রবা মীওই ৬০ য়ৌখ্রে।



জিম্বাবৱে গোভর্ণমেন্টকী মিনিষ্টর অমনা ফোঙদোকপদা সনাগী খোনি অদুগী শিজিন্নখিদ্রবা কাখল অনীদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ঈশিংনা থুমজিল্লকখিবনি। মতম অদুদা খোনি অদুগী থবক শুবা মীওই ৬০দগী ৭০ ফাওবা লৈ হায়খি।

মফম অদুগী গভর্ণমেন্ট মিনিষ্টর জুলাই মোয়োনা মখা তারদুনা জিম্বাবৱেগী প্রসিদেন্ট এমরসন মনানগগৱানা ষ্টেট ওফ দিজাষ্টর অমা লাওথোকখ্রে হায়খি।

সনাগী খোনি অদুগী মপান্দা পাউগী এজেন্সি এ এফ পিদা গভর্ণমেন্ট মাইনিং ইঞ্জিনিয়ার মায়কেল মুনোদৱাফানা ফোঙদোকপদা থৌদোক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদগী মথংগী য়ুমশকৈশাগী অয়ুক ফাওবা চপ চানা পূং ২৪ হেনখ্রবনা কনাগুম্বা থবকশুবা শিন্মী হীংনা ফঙগনি হায়বগী অশা থোইনা লৈত্রে হায়খি।

খুদোংথিবা তারিবা মীওইশিং অদু লৌখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মফম অদুদগী ঈশিং চীংথোক্লবা অকনবা থবক লৌখৎলি হায়না মিনিষ্টর অদুনা হায়খি।

খোনি অদুগী মনূংদগী ঈশিং চীংথোক্লবা, অৱবা তারবা মীওইশিং অদুগী ইমূং মনূংশিংগী অমসুং লৈমাইদা লৈরিবা রেস্ক্যু টিমিশিং পীজ–পীথক তৌনবা, অশিবশিং হোন্নবা অমসুং লৈরোন চন্নবা দোল্লর লাক্ষ ২গী অপিল অমা গভর্ণমেন্টনা তৌখ্রে।

অচৌবা অৱাবা থৌদোক অসিগী খল্লগা লন্নাই মীওইশিং, পার্টনরশিং অমসুং কোর্পোরেট ৱার্ল্ডদা ঐখোয়না শেন অমসুং পোৎ ওইনা তেঙবাংনবগী অপিল তৌজরি হায়না মহাক্না হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*


**Hard Sana Suduku-43**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | 2 | | 1 | | 6 | | |
| 6 | 4 | | 3 | | | | 8 | |
| | 3 | | 6 | 4 | | | | 1 |
| | 9 | 6 | 1 | | | 3 | | |
| | 1 | | 4 | 8 | | | 9 | |
| 3 | | | | 6 | 2 | 4 | | |
| 1 | | | | | 4 | | 6 | 3 |
| | | 4 | | | 1 | 9 | 5 | |
| | | 3 | | | 6 | | | 2 |

**সনা–সুদোকু –৪২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | 7 | 1 | 2 | 3 | 8 | 9 | 6 |
| 2 | 8 | 9 | 5 | 7 | 6 | 1 | 4 | 3 |
| 3 | 1 | 6 | 9 | 8 | 4 | 5 | 7 | 2 |
| 8 | 9 | 1 | 7 | 3 | 5 | 6 | 2 | 4 |
| 4 | 3 | 2 | 6 | 1 | 9 | 7 | 5 | 8 |
| 7 | 6 | 5 | 2 | 4 | 8 | 3 | 1 | 9 |
| 6 | 7 | 3 | 4 | 5 | 2 | 9 | 8 | 1 |
| 1 | 2 | 8 | 3 | 9 | 7 | 4 | 6 | 5 |
| 9 | 5 | 4 | 8 | 6 | 1 | 2 | 3 | 7 |

# সেন্টরগী হেলল্থ স্কিমশিং সুপ্নগী শেল, মিংচৎ খক্তগীনি ঃ অমর্ত্য সেন



*শান্তিনিকেতন, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*
নোবেল লোরেট অমসুং ইকোনোমিষ্ট অমর্ত্য সেননা ইন্দিয়াদা এদুকেসন অমসুং হেল্থ কিয়ারদা চংগদবা অহেনবা মীৎয়েঙ চংশিনদে হায়না ফোঙদোকখ্রে। অদুবু লাক্লিবা লোক সভা মীখলনা অফবা ফল খরা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, আয়ুশমান ভারত অমসুং রাষ্ট্রিয়া শ্বাস্থ্য বিমা যাজনাগুম্বা স্কিমশিংনা লৈবাক অসিদা প্রাইমারি হেল্থ কিয়ার ফগৎহন্নবদা পান্দম থন্রি। অদুবু শুপ্নগী শেলখক পীবনা প্রাইমারি হেল্থ কিয়ারদা করিসু কান্নরোই। স্কিমশিং অসি অপীকপা অমসুং অখুবা ৱাখলনা লমজীংই। সুপ্নগী মিংচৎখক্তমক লৌনবা পান্দম থম্মি হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শান্তিনিকেতনদা পাংথোকপা থৌরম অমদা মিষ্টর সেননা হায়খি।

হেল্থ অমসুং এদুকেসন ফগৎহন্নবগীদমক খরচ তৌরিবা শেনফমগী চাং অসি লৈবাক অসিদা মতিকচাদে হায়নসু মহাক্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লি।

ইকোনোমিক্সতা নোবেল প্রাইজ ফঙখ্রবা মীওই অসিনা মখা তারদুনা লৈবাক অসিদা প্রাইমারি হেল্থ কিয়ারবু করিমতা থৌশাদনা থমলে। গভর্ণমেন্ট প্রাইমারি হেল্থকিয়ারগী ফবগী থাক য়ৌদবনা শেল পুথোকপা ঙম্বশিংনা প্রাইভেট ফেসিলিটিশিংদা চৎনরে হায়খি।

অদুম ওইনমক লাক্লিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিনা অফবা ফল খরদি পীরবা য়াই হায়না মহাক্কী অশা ফোঙদোকখি।

লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগী মতাংদা মীপূম খুদিংমক মথুম–মরাং হৌরে। ঐখোয়না অশা তৌরি মদুদি মীখলগী ফল অদু ফগনি, লৈবাক অসি চাওখৎলগনি। ঐহাক পেসিমিষ্ট অমা নৎতে, ঐহাক্না দেমোক্রেসিদা থাজে হায়না মিষ্টর সেন না হায়খি।

চিনা অমসুং ইন্দিয়াগগী মরক্তা প্রাইমারি হেল্থকিয়ার সার্ভিসশিং চাংদন্নরদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা য়ুমথংনবা লৈবাক অদুনা ঐখোয়দগী দেমোক্রেসিগী পাড়া তম্বা য়াই অদুবু মখোয়গী ইকোনোমিনা খোঙলে থুনা করম্না পাওখৎলিবনো হায়বদু ঐখোয়না মখোয়দগী তম্বা তাবনি হায়খি।

প্রাইমারি হেল্থকিয়ার অমসুং এদুকেসনদা থাক ৱাংনা চাওখৎপনা চিনাদা ইকোনোমিক্কী চাওখৎপা ফঙহনখিবনি। মখোয়না পোৎ কয়ামরুম পুথোকপা ঙমলে। মরমদি মফম অদুগী মীওইশিং বেসিক এদুকেসন ফঙলে অমসুং ক্কালিটি কন্ট্রোল থম্বা ঙমলে হায়না ঙরাং ইরাই নুমিৎতা প্রাটিচী (ইন্দিয়া) ট্রষ্টনা শীনবা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা মিষ্টর সেননা হায়খি।

নোবেল প্রাইজগী ঈকাইখুম্নবা ওইনা পীবা শেনফম অদু শিজিন্নদুনা মিষ্টর সেননা প্রাটিচী (ইন্দিয়া) ট্রষ্ট অসি লিঙখৎখিবনি। ট্রষ্ট অসিনা ইনক্লুসিব অমসুং ইফেক্টিব অমসুং দিভলপমেন্টকীদমক, মরুওইনা ইলিটরেসি থেঙনবদা অমসুং মফম পূন্নমক্তা এদুকেসন য়ৌহনবদা, অঙাংশিংদা মচীওইবা চীঞ্জাক পীজবা, মীপূম খুদিংমক্না ফঙবা ঙম্বা বেসিক হেল্থকিয়ারগীদমক থবক তৌরি।

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 14/12/18
Sl. No. : 6960
Valid : 10/12/18
Sl. No. : 5996
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Santhel Bazar Indane**
Booking : 20/01/19
Valid : 01/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Lamshang Gas Agency**
Booking : 11/01/19
Valid : 07/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 07/01/19
Valid : 03/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**R B D Indane Service**
Booking : 03/01/19
Valid : 23/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 10/12/18
Valid : 27/11/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**J Rongmei Indane, Wangoi**
Sl. No. : 31100 to 30821
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.